ৱাবগাই এ সীগী এম এল এসু ওইরম্বা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ইন চার্জ ডা. উসম দেবেননা ককচীং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর থ্রীদা লৈবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবা ইমুং কয়ামরুমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

জিরিবামগী এস পি, এ ঘনশ্যাম শর্মাগী মীৎয়েং মখাদা জিরিবাম ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসননা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ভি দি এফ পর্সনেলশিংগী ইমুং মনুংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং খূৎশিন্নখিবা

অসাম রাইফলসতা থবক তৌবা জিবন রক্ষা এৱার্দি কাঙুজম রোবেনগী লোয়নবী অবুজম ওংবী সন্ধ্যারানিনা কোভিদ-১৯গী চৈথেং নংলবা ইমুং কয়াদা চান থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংনবদা মতেং ওইননবা ৱেলস ফার্গো সী এস আর ইনিসিএটিভ অমসুং য়ুনাইটেদ ৱেল ওফ বেঙ্গলুরুগী মায়কৈদগী কম্যুনিতি কোভিদ ক্যের সেন্টর শিংজমৈদা ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর ১৫ খূৎশিন্নখিবা

MANIPUR COLLEGE, IMPH
COMMUNITY COVID CARE CENTRE
COVID-19 HELPLINE CENTRE SINGJAMEI

এ আরগী রাইফলমেন অমা থৌরি য়ান্দুনা শিরল্লে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস):

হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ১৫শুবা বট্টালিয়ন ঈ কোর রিয়র বেরেক থোঙনাওগী বারদা এ আরগী রাইফলমেন অমা ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা থৌরি য়ান্দুনা শিরল্লে। লৈখিদ্রবা এ আরগী রাইফলমেন অদুগী মমিং ইমসুলেম্বা এ ও (৩৪) অপোকপা পোকয়িম চিবা কৌই। মহাক নাগালেন্দগী মকোক চুং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ঙাকপু খুন্দা লৈবনি। মহাক্কী রাইফলমেন নম্বরনা ৫০১৫৫১৮নি।

থৌদোক থোকফম অদুদা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী কাঙবু, এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমদি ফোরেন্সিক সাইন্স মোবাইল য়ুনিটকী মীওই য়াওনা য়াম্না কূপ্না য়েংশিনখি। মতুংদা অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা জে নিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। মীশি অদুগী মতাংদা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিনবা হৌখ্রে।

‘দ্রাইভ চথরগনি’

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস):

মালেমগী অসুক ৱানরবা মতম অসিদা ইরমদম অসিগী ইরৈচাশিংনা ইশানা ইশাবু শেন্থোক লম্বী শেমজরগা শেন্মীৎলোন্দা মীপান তাংদবা হায়বগী ৱাখল্লোন্দা চঙশিল্লিবা অমদি ইমুংগী অৱাৎ-অপা মেনবা ঙম্নবা কেন্দল শাদুনা হোৎনরিবশিংদা পেরাফিন ৱেক্সকী মমল ৱাংখৎলকপা অসিনা অৱাবা অমা পীরি। মতম অসিদা পেরাফিন ৱেক্স ট্রেদরশিংনা মমল অমুক্কা হেন্না ৱাংখৎনা য়োল্লকপা অসিনা মণিপুরদা কেন্দল ইন্দষ্ট্রিবু চাওখৎলক্কবা হোৎনরিবশিংদা অৱাবা পীরে হায়না ওল মণিপুর কেন্দল মেকর্স এসোসিএশনগী সেক্রেটরি কে অম্নিকান্তনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, ঙসি পাঙথোকখিবা এসোসিএসন অসিগী ভর্চ্যুএল মীফম অমগী মতুং ইন্না হায়রিবা ট্রেদরশিং অসিগী মথক্তা অখন্নবা দ্রাইভ অমা চথরগনি অমদি লৈঙাক্কী লোগী মতেং লৌরগা থেংনরগনি হায়না ৱারেপ্পখ্রে। ৱেক্স ট্রেদরশিংনা পেরাফিন ৱেক্সকী মমল কা-হেন্না ৱাংনা য়োন্দনবসু আপীল তৌজরি অমদি শাগৎলক্লিবা কেন্দল ইন্দষ্ট্রি অসিগী ইকো সিষ্টেম অসি কায়হন্দনা চৎমিন্নরসি। হীরম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্নসু মীৎয়েং চঙবীদুনা মণিপুরগী ইন্টরপ্রেন্যুরশিংবু থৌনা হাপ্পীনবসু ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস):

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট খোৎসাং সৈজানা খঙহৌদনা লৈখিদবদা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুরনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুরগী চেয়রমেন সাপম শামুঙৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চৈথেং ফংলবা খুরাই নান্দৈবম লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়টনা কোনবা এরিয়াদা য়ূমথোং খুদিংমক্তা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী প্রধান য়ূম্নাম ওংবী চিত্রানা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে। ঙসি অহানবা ওইনা জি পি অসিগী ৱার্দ নম্বর ৬, ৭ অমদি ৮দা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা য়ূমথোঙ ৪০০ হেনবদা তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু পীখি। তেংবাঙখিবা অদুগা মরী লৈননা প্রধান চিত্রানা হায়খি, হৌজিক মালেম পূম্বদা কোভিদ-১৯না ফংলিবা চৈথেং অসি জি পি অসিদসু চাউনা ফংলি। মসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা পোৎলমশিং অসি তেংবাঙজবনি। মখা তানসু জি পি অসিগী ৱাৎহৌরিবা ৱার্দশিংগী য়ূমথোঙ খুদিংদা মতেং পাংখিগনি হায়খি।

‘লায়রবগী চেঙদা স্কাম তৌবা কাঙলূপ অমা লৈরে’

থৌবাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) :

ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা লৈরিবা মীয়ামগী ঈ চুপ্পগা শেঞ্জাও পায়বা, চেঙগী স্কাম তৌবা মীওই কাঙবু অমা লৈরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাঙলোই ওইরিবা, হান্না মিনিষ্টর ওইরম্বা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা ফোঙদোরক্লি।

বি জে পি ৱাংখেম মন্দল অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী হান্না মিনিষ্টর ওইরম্বা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা শীন্দুনা ঙসি সেভা সঙ্গথন ফেজ টুগী মনুং চন্না হাওখা মমাঙ লৈকায়গী শোত্থনা লৈরিবা ইমুংশিংদা য়ুনাইটেদ স্পোর্টস দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (য়ু এস দি এ) অমদি হাওখা মমাঙ কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী খূত্থাংদা চান-থক্লবগী পোৎলমশিং খূৎশিন্নবগী থৌরম অমদা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

নিমাইচান্দ লুৱাংনা মখা তারদুনা হায়, কোভিদ-১৯ লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা থল্লিবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুনা মরম ওইরগা নোংমগী শূরগা চাজরিবা লায়রবা মীয়ামগীদমক্তা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর গরিব কল্যান অন্ন যোজনা অসি হৌদোকখিবনি। যোজনা অসিগী মখাদা এন এফ এস এগী কার্দ য়াওবা চহী ৫ শুরবা অঙাংশিংদগী হৌরগা মীওই খুদিংমক্তা থা অমদা চেঙ কেজি ৫/৫গা লোয়ননা হৱাই কেজি ১/১ পীরি। অদুবু ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদদি ইলেক্টোরেল রোলদা য়াওরবা মীওই খক্তা চেঙ কেজি ৫/৫ খক্তা য়েল্লি। অরানবা মওংদা চেঙ য়েল্লগা লেমহৌরিবা চেঙ অমদি হৱাইশিং অদু কন্নানা লৌখ্রবগে হায়বা অসি থিগৎতুনা মীয়ামদা খঙহনবা মথৌ তাই। অসিগুম্বা মীয়ামগী রাইটস লুট তৌরিবা মীওইশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা থিগৎপীদুনা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপগা লোয়ননা লায়রবা মীয়ামগী রাইটস মপূং ফানা ফংহনবগী মতম অদু য়ৌরে হায়না ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা মরী লৈনবশিংগী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

ঙসিগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং খূৎশিন্নবা অদুদা শরুক য়াখিবা হাওখা মমাঙ কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী মেম্বর এ সুরচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, লৈকায় অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা ইমুং ৬ লৈ, অদুবু মখোয়শিং অদুদি চাবা থকপা ৱাৎত্তবনিনা শোত্থনা লৈরবা ইমুং ৩০ রোমদা মতেং পাংবীয়ু হায়জরব্বদা ঙসি মখোয়গীদমক্তা হান্না মিনিষ্টর ওইরম্বা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীবিরম্বগীদমক হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎলি অমদি মহাক্না তৌরু তৌরুবা খুদিংমক্তা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না মপুদা থৌনিজরি হায়বা ৱাফমশিং থল্লকখি।

‘চেন্নরিবা খুদিংমক লোগী মতুংইন্না অকনবা চৈরাক পীগদবনি’

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস):

থা অসিগী ১০দা নাগামপাল কংজাবী লৈরক্কী অশানবা য়ুম অমদা কা ৱায়দুনা লৈবা নন লোকল অমনা চহী নৌজরিবী নুপীমচা অমদা তমথীরবা মীওইবগী লিচৎকী ৱাংমদা চত্থরম্বা থৌওং অদু য়াম্না হকচিন্না লৌই। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা খুদিংমক লোগী মতুংইন্না অকনবা চৈরাক পীগদবনি হায়না ৱিমেন এসোসিএসন ফোর সোসিও ইকনমিক দিভেলপমেন্ট (দব্লিয়ু এ এস ঈ দি ঈ ভি) গী প্রসিদেন্ট আর কে থরাকস্নানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌদোক অদু নন লোকলশিংনা চত্থবা অহানবা থৌদোক নত্তে। মমাঙথক্তসু কয়া অমা থোকখ্রে। অসিগুম্লবা নুপীগী ইকায় খুম্নবা তেমশিংনবা, মীহাৎ-মীপূন অমদি হুরান চিন্থি কয়া অমসু চত্থবা লৈখ্রবনি। অসুক য়াম্না মী কুংনা তাবা লৈকায় অমদা মপান লমগী মীওই অমনা য়াম্না উশিত্তনা নুপীমচা অমবু মোইথেম তৌদুনা অহিং চূপ্পা লোৎশিন দুনা থম্লগা নোংঙাল্লগা লোকদাউনগী মী থোরক্লদবা অচিকপগী তাঞ্জা য়েংলগা বোলেরো গাড়ী অমগী মনুংদা মথন্তা হুন্দোক্লম্বা হায়বসি তমথীরবা ক্রাইম অমা ওইবদা নত্তনা লমদমসিগী নুপী খুন্নাইবু শিংনবনি। মসি মীতোপশিংনা লমদম অসিদা কদাই ফাওবা মনিং তম্লবগে হায়বগী খুদমনি।

লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী পুকচেল চাওবা, মীতোপ ওইরবসু মীনুংশিগা লোয়ননা মচা-মনাওগুম লোয়নবা কয়া অসিগী অচেংবা য়েংলগা মখোয় মখোয়গী করাম চাওবা মতৌ অদু উৎথোরকপনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই খুদিংমক মরালগী মতুংইন্না অকনবা লোগী চৈরাক পীগদবনি। অমরোমদা য়ূম শান্দোক্লিবা য়ূম্লশিংনসু শেল খক্কী য়েংলগা শানবীগনু। মীশক অমদি মরী মখোঙ য়েংলগা শানবীয়ু। অসুক য়াম্না লুরবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হায়দুনা ইমুং মনুং ইমা ইচা ফাওবা টেবল অমদা চাক চামিন্নদ্রবা মতম অসিদা অশানবা কাগী পিকখ্রবা কা অমদা মীওই ৫/৬ লৈশিন্দুনা কোভিদ লায়না শন্দোক্লবগী মরম অমসু ওইহল্লে। ৱাথোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই মীয়াম খঙনা অহকপা চৈরাক পীদুনা মখা তনা অমুক হন্না থোক্তনবা ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

মাস টেষ্টিং, ভেক্সিনেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) :

ক্ষেত্রিগাউ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎ, দি সী ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী সী এম ওগী মীৎয়েং মখাদা অনইমপ্লোয়ট য়ুথ লর্নর্স এসোসিএসন (য়ু ৱাই এল এ) পোরোমপাৎ থৱানথাবা লৈকায়না শিন্দুনা লাইনিংথৌ থৱানথাবা কম্যুনিটি হোলদা কোভিদ-১৯গী মাস টেষ্টিং অমদি ভেক্সিনেসনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না য়ু ৱাই এল এগী জেনরেল সেক্রেটরি এ অজিৎকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা কোভিদ-১৯গী মাস টেষ্টিং অমদি ভেক্সিনেসনগী থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ৬৪ টেষ্ট তৌবদা নুপা অমা অমদি নুপী ১ পুন্না মীওই অনী পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। লোয়ননা মীওই ৫৫না কোভিদ-১৯গী অহানবা দোজগী ভেক্সিন কাপথোকখি হায়রি।

ইকো গার্দেন শেমগৎনবা লুপা লাখ ৫০ কায়থোক্লে : রাধাকিশ্বর

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) :

ওইনাম এ সীগী মনুংচন্না লৈবা লৈমরামগী উয়োক শঞ্জাবুংদা মীয়ামগী ইকোনোমি হেনগৎহন্নবতা নত্তনা মহৌশাগী খল কায়দনা থম্নবা উহৈ-ৱাহৈ মপুংফানা পুথোকপা লম কোয়বশিংগী পুক্নিং হুফম ওইগদবা ইকো গার্দেন অমা শেমগৎনবা লুপা লাখ ৫০ কায়থোক্লে হায়না ওইনাম এ সীগী এম এল এ লোয়ননা এম পি সী সী অমদি কে ভি আই বিগী চেয়রমেনসু ওইরিবা এল রাধাকিশ্বর খুমননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙরাং ইকোসিষ্টম রিষ্টোরেসন হায়বা ঠিমদা মণিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্দ অমদি লৈমরামগী উয়োক শঞ্জাবুংগী ভলন্টিয়রশিংগা খুৎশম্নরগা পাঙথোকপা ৪৮লক শুবা ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগা মরি লৈননা হায়রিবা শঞ্জাবুং অসিদা উহৈ য়াওনা উ চারা কয়া থাদুনা পাঙথোকপা থৌরমদা এল রাধাকিশ্বরনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা রাধাকিশ্বর খুমননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মালেমদা পোল্যুসন থোক্লকপগা লোয়ননা ক্লাইমেট চেঞ্জ লাকপদগী ঐখোয় হিংবদা অৱাবা অমা ওইরে। ইনভাইরোনমেন্ট কনবা লৈবাক অদু চাওখৎপা লৈবাক অমনি হায়না লৌনরবা মতমনি। মণিপুর অসি চহী ৩০গী মমাংদা নেচরনা পীবা লাইরৈবাক অমগুম লৈরম্মী। তুরেলশিং চহী চুপ্পা কুম্বী কালেন নাইদনা ঈশিং চেল্লম্মী। চীঙদা উ-ৱা মরাংকায়না হৌরম্মী। অদুবু ঙসিদি উমং-ৱামং কোকশিল্লকপনা মরম ওইরগা ঈশিং ফাওবা লৈদুনা শীজিন্নরে। চীঙ অমদি তমদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি মরুওইনা উ-ৱা য়ান্থৎপননি। ঈশিং-নুংশিৎ মপুংফানা কন্ট্রোল তৌরবতদা ঐখোয় নুংঙাইনা হিংবা ঙমগদৌরিবনি।

উ অমা য়ান্থৎলবদি উ চারা ৫ থাদুনা হৌহনবগী তঙাইফদবা লৈরে। মণিপুরদা লৈরিবা মীওই লাখ ৩০ রোম অসিনা উ অমমমতা ওইরবসু হৌহল্লবদি মণিপুর মহৌশাগী নেচরগা শাগোন্নরা লৈরম্বা অদু হঞ্জিল্লক্কনি। থবক শুবগী হৈনবী থম্লবদি মীগী মপান তাংলোই। লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। কোভিদ-১৯ লায়নাদগী ঙাকথোক্লবগী পান্দমদা লৈঙাক্না লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুনচিংবা থম্বনি। লৈঙাক্না পীবা গাইদলাইনশিং ঙাকপা ঙম্লোইদবা মরমনা ধর্ম-কর্মগা মরি লৈনবা থৌরমশিং য়ারিবমখৈ মী পুন্দনবা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিদগী পর্মিট লৌহল্লগা পাঙথোকহল্লিবনি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয় পুন্না শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

দি এফ ও বিষ্ণুপুর দা. রেবিকা সোইবমনা হায়, চাওখৎপা খম থেংলবা মালেমগী মফম খুদিংমক্কী মীয়াম্না নুংঙাইবা মফম থীরকপদা ঙসিদি ইনভাইরোনমেন্টকী মতেং লৌদুনা অসিগুম্বা ইকো গার্দেন অমদি মহৌশাগী খল কায়দবা মফম থিনরক্লি। মরম অদুনা হৌজিক্কী মতমদা অসিগুম্বা মফম অমা শেমগৎপনা নহা কয়াগী থবক পীদুনা শেন্থোক লম্বী লৈবা খুন্নাই অমসু শোয়দনা ওইবা ঙমগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা দি সী বিষ্ণুপুর কৃষ্ণকুমারনা হায়, ঐখোয় কন্সর্ন, ভিজন অমদি লিদরশিপতা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারে। নেচরেল রিছোর্স লোয়ননা ফোরেষ্ট প্রদক্টশিং নিয়ম চুম্না শীজিন্নসি। কম্যুনিটি প্লান্টেসন তৌবা হায়বসি তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলগীদমক্তনি। খুঙ্গং খুদিং গ্রিন এম্বাসেদর অমমম লৈহন্নবা হোৎনসি। ঙসিগী থৌরম অদুদা এস দি ও/বি দি ও নম্বোল সীঐচ বোবো, এদিসনেল এস পী বিষ্ণুপুর লুইখাম লানমিও, এম পি সী বিগী সাইন্টিষ্ট কেঐচ তোম্বা, কৈনৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এন জি সোবনা, এস দি সী ওইনাম বুধচন্দ্র অমদি ইরেংবন গ্রাম পঞ্চায়টকী উপ প্রধান এম সনাতোম্বানচিংবনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) :

জিবন রক্ষা পদক এৱার্দ ফংখ্রবা অবুজম রোবেনগী মীৎয়েং মখাদা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা অইবা ওকেন্দ্রো খুন্দাংবমগী য়ূমদা চৎতুনা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ওইনাম রুহি অমদি অবুজম রোবেনগী লোয়নবি অবুজম সন্ধ্যারানিনা তেংবাংখ্রে।

তেংবাং পীবগী থৌরম অদুগা মরি লৈননা ৱাংখৈ অমদি শিংজমৈ এরিয়াগী মনুংচনবদা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা মতেং পাংবগী থবক চৎথরি। তেংবাং পীবগী থৌরম অদুদা মপুং ওইনা শরুক য়াখিবী সন্ধ্যারানিনা ফোঙদোরকপদা মীওইবগী মতেং পাংবা হায়বসি লৈঙাক্কী ফম পায়বা নৎত্রগা শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংতবু ঙাইবসু লানগনি। ইশাগী লৈকায় নৎত্রগা এ সী খক্তা মতেং পাংগনি হায়বা ৱাখল্লোনসু লানগনি। অঙম্ব-অঙম্বা মতেং পাংনরবা মতমদতা লৈবাক অসি চাওখৎপা ওইগদৌরিবনি। লোয়ননা খুন্নাই অসিগী অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরক্কদৌরিবা ওজা কয়া অমদি অইবাশিংবু শৌগৎপা অমদি শক খঙবিবা য়াম্নমক মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

‘অহকপা চৈরাক পীবিয়ু’

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস):

হৌখিবা জুন ১০দা চহী ১০ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু সাউথ দেল্লী, ভিটোনিদগী রুপেস সিংহ অপোকপা চন্দ্রমোহন সিংহ কৌবা নন মণিপুরী অমনা নুপী ওইবীগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনখিবা থৌদোক অসি কংজাবী লৈরক য়ুথ ক্লবনা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা লোগী ওইবা অহকপা চৈরাক পীবীয়ু হায়না আপীল তৌজরি। লমদমসিগী সী এস ও, মহৈরোয় লূপশিংনসু সপোর্ট তৌবীরকউ হায়না কংজাবী লৈরক য়ুথ ক্লব (কে এল ৱাই সী) গী প্রসিদেন্ট সাপম সুভাঙ্করনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থোংজু এ সীগী প্রধান ৭না সী ঐচ আই সী ২দা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস) : থোংজু এ সীগী এম এল এ থোঙাম বিশ্বজিৎকী লমজিং মখাদা এ সী অসিগী হৌজিক হাংদোক্লিবা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টর অনী হায়বদি য়ু পি ঐচ সী কোনাক খোংনাংখোঙ থোংজু পার্ট টু অমদি আইদিএল কোলেজ অকাম্পাৎতা লৈরিবা মফম অনীদা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা প্রধান তরেৎনা সোলিদরিটি উৎপগা লোয়ননা মতেং পাংখ্রে।

থোংজু এ সীগী মীয়াম্বু কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভকী চৈথেংদগী ঙাকথোক্লবা পাঙথোক্লিবা মাস কোভিদ-১৯ টেষ্টিং কম ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামশিং সী এম ও ইম্ফাল ইষ্টকী মেদিকেল টিমগা খূৎশম্নদুনা মফম ১৬তা মায় পাক্না পাঙথোকখিবদা অঙম্বা থৌদাং লৌখি। এ সী অসিগী ইমুং খুদিংদা এম এল এগী তেংবাং পোৎলমশিং য়ৌহনবদা শরুক য়াবদা নত্তনা প্রধানশিংনা মাগী মাগী গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা লৈবা মীয়ামদা তেংবাঙ পোৎলমশিংসু য়েন্থোক্তুনা লাক্লি।

কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা অৱাবা মায়োক্লরিবা মীয়ামদা থোংজু এ সীগী প্রধান তরেৎনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা এম এল এ বিশ্বজিৎকী মীয়ামগী থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংবগীদমক থোংজু এ সীগী ভলুন্টিয়র ৱার্করস কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটি (টি কে আর সী) গী প্রসিদেন্ট এস ইবোবীনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

‘তঙাইফদবা পোৎ চৈশিং য়োন্নীংবা মমলদা য়োল্লিবা অসি মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীয়ু’

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী লুরবা তাঞ্জাসিদা হিংবদা চঙবা তঙাইফদবা পোৎ চৈশিং য়োন্নীংবা মমলদা য়োল্লিবা অসি মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীয়ু হায়না কংলৈ ইমা লূপ (কে আই এল) না ফোঙদোরক্লি।

কে আই এলগী সেক্রেটরি এস মেমচা লৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভতগী ঙাকথোক্লবা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং মীয়াম্না ঙাকমিন্নরি। তোঙান তোঙানবা সোসল এক্টিভিষ্টশিং, ক্লব, মৈরা পায়বী, সী এস ওশিংনা অনীশুবা ৱেভ অসি থেংনমিন্ননবা লৈঙাক্কী মতেংসু পাংলি। পূম্নমকপু কংলৈ ইমা লূপনা ইকায় খুম্নবা উৎচরি। লুরবা তাঞ্জা অসিদা হিংবদা চঙবা তঙাইফদবা পোৎ চৈগী মমলসু লৌনীংবদা লৌদুনা শেনে দাং হেন্না তানশিনবা য়াওদবসু নত্তে। তাল্লকসিদা নফসাগী চেঙ কে জি মশীং মান্নদনা য়েনবগী থৌদোকশিং সোসল মীদিয়া য়াওনা ৱাথোক ওইনখ্রিবসি লৈঙাক্লা মীয়াম ৱাখল তামিন্নবা শেংদোকফম থোকই।

লৈঙাক্লা থল্লিবা কর্ফিয়ু মনুংদা ত্রাফিক জাম থোকপা, কর্ফিয়ু থুগাইবশিং ফাদুনা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইবা থেংনরিবশিংসি মশা খঙনা নৎত্রগা খঙদনা চৎপনা কোভিদ লায়না হেন্না শন্দোরক্কনি হায়বসি ঐখোয়না ৱাখল তাদ্রবদি হেন্না কুইনা ৱামিন্নখিগনি। তঙাইফদবা নত্তনা মপান থোক্লরগুমসি। লৈঙাক্নসু কর্ফিয়ু মপূং ফাহননবা এক্সন লৌবা মথৌ তারক্লগনি। লৈঙাক্লা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং মতিক চানা লিংখৎপীদুনা ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংহনবীরিবা অসিসু খরগা হেন্না মীৎয়েং চঙবীদুনা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা পায়খৎহন্নীংই। ৱানরবা মতমসিদা পোলিটিক্সকী ৱাখল্লোন্দা লন্নাই তৌনীংবদা তৌবা, ঙাঙনীংবদা ঙাঙনরিবসিনা মীয়ামদা থাজনদবা হেল্লক্তুনা পামদবা থৌদোক থোরকপগী মচাক লৈরকপসু য়াই। লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংদা মীয়াম্নসু থৌদাং য়ামিন্নসি। কে আই এলনসু মতেং পাংজনবা শেম শাজরি হায়রক্লি।

মাস টেষ্টিং : ঙসিনা মফম মাপনদা তৌগদৌরি

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা জুন ১দগী হৌদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯গী এগ্রেসিভ মাস টেষ্টিং লেপ্পা লৈতনা চত্থরি। এগ্রেসিভ মাস টেষ্টিং অসি হয়েংনা মফম ৯দা তৌগদৌরি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর টি ঐচ কিরনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হৌখিবা জুন ১দগী হৌদুনা কোভিদ-১৯গী মাস টেষ্টিং চত্থরক্লি। এগ্রেসিভ মাস টেষ্টিং অসি লাক্লিবা জুন ১৭তা লোইশিল্লগনি। লোইশিনগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈ জুন ১৬তা মফম ৯দা এগ্রেসিভ মাস টেষ্টিং চত্থগনি। মফমশিং অদুদি লোইতাং খুনৌ কম্যুনিতি হোল, মোইরাং হনুবা লৈরক কম্যুনিতি হোল, লুক্রাম লৈরক কম্যুনিতি হোল, কাংমোংদা লৈবা এন সী কে বিল্ডিং, বিজয় গোবিন্দ কম্যুনিতি হোল, লাঙ্গোল গেম ভিলেজদা লৈবা লাঙ্গোল পাইওনিয়রস ক্লব মল্টিপর্পজ হোল, লাঙ্গোল নিংথৌ কম্যুনিতি হোল, ললাম্বুংদা লৈবা এল টি ৱাই দি ও ক্লব বিল্ডিং অমসুং ঙাল্লপী থোংদনি হায়রি।

অহানবা ফেজগী ফৌপোৎ ৫৬২ মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস):

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বী এ সীদা হান্না মমাঙদা অমুক্তা তৌখিদ্রিবা মওংদা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা ম্যুনিসিপাল কাওন্সিল অমদি গ্রাম পঞ্চায়ত মঙাদগী এক্স-মিনিষ্টর এন মঙ্গি সিংহবু শৌগৎপা লৌমীশিংনা ইন্দিয়াদা এন দি এ লৈঙাক অসিনা চহী তরেৎ মপূং ফারকপগী চত্থরকপা সেভা হি সঙ্গথন অনীশুবা শরুক্কী মখাদা এ সী অসিগী কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা য়েন্থোক্লবা ফৌ বোরা ৫৬২ মতেং পাংনবা কুম্বীদা লৈবা এক্স-মিনিষ্টরগী য়ূমদা ঙসি পুরক্তুনা থমখ্রে।

ঙসিগী লৌমীশিংনা ফৌ পুরক্তুনা খূৎশিন্নবা অদুদা এক্স-মিনিষ্টর এন মঙ্গি সিংহ, ৱাঙু বোরায়াংবি জিল্লা পরিষদ মেম্বর এম ব্রোজেন সিংহ, ৱাঙু তেরাখোং জি পিগী প্রধাণ পি বালেশ্বর, বোরায়াংবি জি পিগী উপ-প্রধাণ, এল মনি, কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী ফোর্মর চেয়রপর্সন দব্লিয়ু প্রিয়োরঞ্জন, কাওন্সিল অসিগী এক্স-কাওন্সিল্লর দব্লিয়ু বোবিচান্দ লুৱাং, দব্লিয়ু মেঘচন্দ্র, বি জে পি কুম্বী মন্দলগী ফোর্মর জেনরেল সেক্রেটরি তোম্বা সোইবম অমদি গ্রাম পঞ্চায়তশিংদগী লাকপা মেম্বরশিং অমদি লৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

ফৌ খূৎশিন্নবগী অচম্বা থৌরম অদুদা এক্স-মিনিষ্টর এন মঙ্গিনা হায়খিবদা, ইন্দিয়াদা নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্না চহী তরেৎ মপূং ফানা লৈঙাক পায়রকপগী চত্থরকপা সেভা হি সঙ্গথন অনীশুবা শরুক অমদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভপু মায়থিবা পীনবা চঙশিল্লক্লিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা খোঙজং অমা ওইরিবা লোকদাওন কর্ফিয়ু থমদুনা হোৎনরি অমদি লোকদাওন কর্ফিয়ু অসিনা নোংমগী শু-নোম্লগা চাজরম্বা ইমুং কয়াদা অৱাবা পীদনবা হায়দুনা চান-থক্লবা পীরিবা অদুবু শৌগৎপা ওইনা অমদি খরদা ওইরবসু মতেং ওইননবা হায়দুনা কুম্বী এ সীগী মনুংদা লৈবা ঐবু শৌগৎপীবা বি জে পিগী কারয়া কর্তা কয়ানা মশা মশাগী লৌবূক্তগী থোকপা ফৌশিং অদু মখোয় মখোয়গী ইমুংখক্তা চাবা নত্তনা এ সী অসিগী লোকদাওন কর্ফিয়ুনা অৱা চৈথেং নংলবা ফৌ-চেঙ হাপচদবা ইমুংশিংদা য়েন্থোক্লগা পূন্না চামিন্নদুনা নুংশি চান্নরা হিংমিন্ননবগী পান্দমদা লৌমী ইচিল-ইনাওশিংনা ঙসি ফৌ বোরা ৫৬২ অহানবা ফেজগী ওইনা পুবীরক্তুনা থম্বীরি। হায়রিবা ফৌশিং অসি ভোটতা শীজিন্ননবা নত্তে। মসি ঐগী এ সী অসিগী হৌজিক অৱাবা চৈথেং নংলবা মীয়ামগীদমক্লি। মসিদা রাজনিতিগী ওইবা থৌশীল অমত্তা য়াওদে। ঙসিগী পুরক্লিবা ফৌশিং অসি এ সী অসিগী পোল্লিং বূথ ৩৫দগী হেন্না অৱা-চৈথেং নংলবা ইমুংশিংগী লিষ্ট খোমগৎলগা মথং মথং পীথোক্লগনি। অমদি মীয়াম্নসু হৌজিক ইন্দিয়া অমদি মণিপুরগী লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ থেংননবা পায়খৎলিবা লোকদাওন কর্ফিয়ু অসিবু শৌগৎপীয়ু অমদি এস ও পি ঙাক্না চৎপীয়ু হায়না আপীল তৌরকখিবগা লোয়ননা লৌমীশিংবু থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

তোঙান তোঙানবা মফমদা মাস ভেক্সিনেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মাস ভেক্সিনেসন পাঙথোক্লখ্রে।

কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স ৱার্দ নম্বর ৯ কৈশামথোং এ সীনা শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা ঙসি ফাওবা নুমিৎ নীনি চূপ্পা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমা টাস্ক ফোর্স অসিগী হেদ ওফিস ওইরিবা ইম্ফাল রাইজিং য়ুথ ক্লব কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়গী বিল্ডিংদা পাঙথোকখ্রে হায়না কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স ৱার্দ নম্বর ৯ কৈশামথোং এ সীগী কনভিনর সী ঐচ ইবোয়াইমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

YOUTH CLUB
OFFICE OF THE
COVID-19 TASK FORCE
WE ARE WORKING
24/7 TO FIGHT AGAINST
COVID-19

চেরোল অসিনা হায়, ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিদা ৱার্দ অসিগী তোঙান তোঙানবা লৈকায়শিংদগী চহী ১৮দগী ৪৪ ফাওবা অমদি চহী ৪৫গী মথক্কী পূন্না মীওই ২৫০দা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখি। ভেক্সিন কাপথোক্লিঙৈ মনুংদা ষ্টেট হেল্থ মিসনগী দাইরেক্টর ডা. শ্যামজাই অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফেয়র ওফিসরসু লাক্তুনা য়েংশিল্লমখি হায়রি।

অমরোমদা ৱাংখৈ এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্থরিবা মাস টেষ্টিং অমসুং ভেক্সিনেসন কেম্প্যোনগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসি ইষ্টর্ন এদ্যুকেসনেল ক্লব খুরাই অহোঙ্গৈ লৈকায়দা কোভিদ টেষ্ট তৌথোকপা অমসুং কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপগী থৌরম ঈ ঈ সীনা এ সী অসিগী এম এল এগী খূত্থাংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টকা খূৎশম্নদুনা মপূং ফানা পাঙথোকখ্রে হায়না ইষ্টর্ন এদ্যুকেসনেল ক্লবকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, খুরাই অহোঙ্গৈ অমসুং থাংজম লৈকায়গী পূন্না মীওই ১৫০ আর এ টি টেষ্ট তৌবদা মীওই খুদিংমক নেগেটিভ ওইবগা লোয়ননা চহী ১৮গী মথক্কী মীওই ৪০ অমসুং চহী ৪৫গী মথক্কী মীওই ৪০ য়াওনা পূন্না মীওই ১২০ কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখি।